# চেন্নাই সুপর কিংসনা কোলকাটা নাইট রাইদর্সপু রন ২৭ তা থোইরগা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ টাইটল লৌখ্রে



দুবাই, ওক্টোবর ১৫ (এজেন্সী):
মালেমগী টি-২০ লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মমিং লৈরবা অমা ওইরিবা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি দুবাইদা লৈবা ইন্টরনেসনল ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা চেন্নাই সুপর কিংসনা কোলকাটা নাইট রাইদর্সপু রন ২৭ তা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

মেটচ অদুগী টোস কোলকাটা নাইট রাইদর্সনা ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। মদুদা চেন্নাই সুপর কিংসকী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা মওংদা ওভর ২০ শান্নখিবা অদুদা শুপ্নগী ৱিকেট ৩খক তুরগা রন ১৯২ লৌবা ঙমখি।

ওপনর ওইখিবা রুটুরাজ গেক্বাদ অমদি ফাপ দু প্লেসিসনা রন ৬১ হাপচিনবা ঙমখি। গেক্বাদ বোল ২৭তা রন ৩২ লৌরম্লগা আউট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ শিনখিবা রোবিন উথাপা অমদি ফাপ দু প্লেসিসনা রন ৬৩গী পার্টনরশিপ শেম্লগা চেন্নাই সুপর কিংসকী অপূনবা স্কোর অদু ১২৪ য়ৌহনখি। রোবিন উথাপা শুপ্নগী বোল ১৫দা সিক্স ৩ য়ৈরগা রন ৩১ লৌরমখি। মহাক্কী মহুৎ শিল্লকখিবা মোইন আলি অমসুং ওপনর প্লেসিসনা ইন্নিংস অদু মখা চথরকপদা রন ১৯২ শুহল্লকখি। অরোইবা ওভরগী অরোইবা বোলদা প্লেসিস রন ৮৬তা আউট ওইখি। মহাক্না বোল ৫৯ খকমায়োক্লবদা সিক্স ৩ অমদি ফোর ৭ য়ৈখি। লোয়ননা আউট ওইখিদবা মোইন আলিনা শুপ্নগী বোল ২০দা সিক্স ৩ অমদি ফোর ২ য়ৈরগা রন ৩৭ লৌখি।

মায় পাক্লনবা কোলকাটা নাইট রাইদর্সনা রন ১৯৩ লৌনবা হোৎনরকপদা ওভর ২০ শান্নবা লোইশিল্লকপদা বেটসমেন ৯ আউট ওইরগা রন ১৬৫ খক লৌখিবদগী ফাইনেল মেটচ অদু চেন্নাই সুপর কিংসনা রন ২৭তা মায় পাকখিবনি।

কোলকাটা নাইট রাইদর্সকী মায়কৈদগী ওপনর সুবমান গিল অমদি ভেনকাটেস আয়রনা অহানবা ৱিকেট পার্টনরশিপতা রন ৯১ লৌদুনা মায় পাক্লবগী লম্বেল ফজনা শেমগৎলকখি। অদুবু মখোয় অনীগী পার্টনরশিপ কায়খিবদগী মখা তারকপা বেটসমেনশিংনা মপূং ফাবা পার্টনরশিপ শেম্বা ঙমদবদগী মেটচ অদু চেন্নাই সুপর কিংসনা লাকশিল্লকখি। ভেনকাটেস আয়র বোল ৩২দা রন ৫০ লৌরমখি। অদুগা সুবমান গিলনা বোল ৪৩দা রন ৫১ লৌবা ঙমখি। অদুবু মখা তারকপা অতোপ্পা বেটসমেনশিংদি ফজবা ঙমখিদে। লোকি ফর্গুসন অমসুং সিবম মাভিনা রন ১৮ অমসুং ২০ লৌখিবা অদু পনবা য়াই। চেন্নাইগী থাকুরনা ৱিকেট ৩ লৌদুনা খ্বাইদগী ফজখি।

# থোমাস কপ ২০২১দা রানকিরেদ্দি অমসুং চিরাগ সেটি মায়পাক্লবসু ইন্দিয়া ক্বার্টর ফাইনেলদা লৈহৌরে



আর্হস, ওক্টোবর ১৫ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী নুপাগী দবলসকী শান্নরোয় সাটৱিকসাইরাজ অমসুং চিরাগ সেটিনা মখোয়গী লম্বা দেনমার্ক্কী প্যের অদুবু মায়থীবা পীবা ঙমখ্রবসু ইন্দিয়াগী অতোপ্পা মেটচশিং মায়থীবা নংদুনা থোমাস কপ বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেলদা দেনমার্ক্কী মখুত্তা মেটচ ১-৩দা মায়থীহৌরে।

দেনমার্কনা য়ুম্ফম ওইদুনা লৈবাক অদুগী সিটি আর্হসতা পাঙথোকপা মালেমগী বেদমিন্টন শান্নবা লৈবাকশিংগী ওইবা টিম চেম্পিয়নশিপ অদুদা ঙসি ইন্দিয়ানা য়ুম্ফম লৈবাক অদুগা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ শান্নখিবনি।

মেটচ অদুগী অহানবা সিঙ্গলসকী মেটচ অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী কিদম্বী স্রিকান্তনা দেনমার্ক্কী ভিক্টর এজেলশেনগা লম্বা তৌনখি। মদুদা শান্নরোয় অনীনা মিনট ৩৮ চঙনা শান্নখিবা অদুদা অহানবা গেম অদু এজেলসেননা স্রিকান্তপু পোইন্ট ২১-১২দা থোইবা ঙমদুনা গেম অমা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা গেম অদুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অদুনা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা অহানবা গেম মায়থীখিবা অদু ফুংগৎনবা শান্নরকখি। স্রিকান্তনা মশাগী পোইন্ট ১৩ য়ৌরকপদা দেনমার্ক্কী এজেলসেন্না পোইন্ট ২১ য়ৌবা হানখিবদগী মায়থীবা নংখি।

অনীশুবা মেটচতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী দবলসকী শান্নরোয় সাটৱিকসাইরাজ রানকিরেদ্দি অমসুং চিরাগ সেটিনা দেনমার্ক্কী কিম এষ্ট্রুপ অমদি এন্দর্স রাসমুসেনগা লম্বা তৌনরকপদা পুং অমগা মিনট ১২ চঙনা শান্নখিবা মেটচ অদুদা গেম ২-১দা থোইদুনা ইন্দিয়া অমসুং দেনমার্ক গেম ১-১দা লৈনখি। মেটচ অদুগী অহানবা গেম অদুদা ইন্দিয়াগী প্যের অদুনা ২১-১৫দা থোইখি। অদুগা অনীশুবা গেমদা দেনমার্ক্কী প্যের অদুনা পোইন্ট ২১-১৭তা থোইদুনা গেম ১-১দা মান্নদুনা লাকখি।

অদুবু অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং গেম অদুদা ইন্দিয়াগী প্যের অদুনা য়াম্না কন্না শান্নদুনা য়াম্না নক্লবা মওংদা পোইন্ট ২১-১৮দা থোইদুনা মেটচ ১-১দা লৈখি।

টাই অদুগী অহুমশুবা মেটচতা ইন্দিয়াগী সাইপ্রনিট এন্দরস এন্টোন্সেনগী মখূৎতা ৮-২১, ১৫-২১দা মায়থীখি। মদুগী মতুং দবলসকী মেটচতা ইন্দিয়াগী অর্জুন অমসুং কপিলা খৃষ্টিয়ানসেন অমদি সোগার্টকী মখূৎতা ১৬-২১,৯-২১দা মায়থীদুনা ইন্দিয়া লৈহৌখি। সেমীফাইনেলদা চাইনা অমসুং জপান অদুগা দেনমার্ক অমসুং ইন্দোনেসিয়া থেংনরগনি।

## লেটপাও হাওকিপনা থাগৎলক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ (ঐচ এন এস):
এসিয়াগী চহী ২৩ মখাগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা এ এফ সী য়ু-২৩ এসিয়ন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকীদমক্তা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় ২৮ খনগৎলকপদা মণিপুরী মচা ৭ য়াওরকপদা ষ্টেট অসিগী য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস অমসুং ৱাটর রিসোর্ছেসকী মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা হরাউবা অমদি থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্কী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অদুনা খনগৎলবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিং অদুদা মখোয়না ষ্টেট অসিগী খক্তা নৎতনা ইন্দিয়াগী ওইবা মিংচৎ পুরকপা ওইরসনু হায়না থৌনীখিবগা লোয়ননা মণিপুর অসি ইন্দিয়াগী ওইনা স্পোর্টসকী লম্দা পাৱর হাউসনি হায়বা অদু ময়েক শেংনা তাক্লে হায়রি। শান্নরোয়শিং অদুনা মখোয়-মখোয়গী তুংগী ওইবা করিয়রদা অফবা ওইরসনু হায়নসু থৌনীখি।

## ট্রায়ল কম কোচিং পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ (ঐচ এন এস):
ওল মণিপুর টেন্নিস ভোলিবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না চহী অসিগী নবেম্বর থাদা ওরিষ্যাদা পাঙথোক্কদৌরিবা সিনিয়র অমসুং ভেটরান (মেন এন্দ ৱিমেন) নেসনল টেন্নিস ভোলিবোল চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়াননবা মণিপুরগী টিম শেম্নবগীদমক থা অসিগী ১৮দা হৈঙাং কাংজৈবুং 'আই এম এস য়ু সী' গ্রাউন্দদা ট্রায়ল কম কোচিং অমা পাঙথোক্লগনি হায়না ওল মণিপুর টেন্নিস ভোলিবোল এসোসিএসনগী সেক্রেটরি জেনরেলনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হৈঙাং কাংজৈবুং আই এম এস য়ু সী গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কদৌরিবা ট্রায়ল কম কোচিং অদুদা শান্নরোয়শিংনা মশা-মশাগী আধার কার্দকী জেরোক্স কোপী অমসুং পাসপোর্ট সাইজ ফোটোগ্রাফ ২/২সু পুরক্কদবনি হায়রি।

## রোৱিংগী ট্রায়ল সেলেক্সন

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ (ঐচ এন এস):
চহী অসিগী দিসেম্বর ৮দগী ১২ ফাওবা মহারাষ্ট্রগী সিটি পুনেদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৪১শুবা জুনিয়র নেসনল রোৱিং চেম্পিয়নশিপ ২০২১দা শরুক য়ারুনবা মণিপুরগী টিম শেম্নবগীদমক খুমন লম্পাক রোৱিং কেনেলদা ট্রায়ল সেলেক্সন অমা পাঙথোক্লগনি হায়না মণিপুর রোৱিং এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

খুমন লম্পাক রোৱিং কেনেলদা থা অসিগী ২৪গী অয়ূক পুং ৭.৩০ তাবা মতমদা ট্রায়ল সেলেক্সন পাঙথোক্কদৌরিবনি। মরম অদুনা শরুক য়ানিংবা রোৱরশিংনা মখোয়-মখোয়গী আধার কার্দ, আর এফ আই কার্দ অমদি বর্থ সর্টিফিকেট য়াওরগা মণিপুর রোৱিং এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এন থোইবা অমদি জোইন্ট সেক্রেটরি এস রামেশ্বরদা থা অসিগী ২৩ ফাওবগী মনুংদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি।

## পনকজ অদভানিনা লুচিংগদৌরি

ন্যু দেল্লী, ওক্টোবর ১৫ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী মমিং লৈরবা বিলিয়র্দ এন্দ স্নুকরগী শান্নরোয় পনকজ অদভানিনা থা অসিগী ১৭তগী ২৭ ফাওবা ইন্দিয়াগী টিম খন্ননবগী নেসনল সেলেক্সন টুর্নামেন্টতা লুচিংগদৌরি।

বিলিয়র্দ এন্দ স্নুকর ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা ফোঙদোরকপা ৱারোল অমগী মতুংইন্না ৱর্ল্ড স্নুকর ক্বালিফায়র্সতা শরুক য়াননবা ইন্দিয়াগী নুপা, নুপী অমসুং চহী ২১ মখাগী নুপাগী টিম খন্ননবগীদমক্তা নুমীৎ ১১নি চঙনা রাউন্দ রোবিন লীগ ফোর্মেটতা টুর্নামেন্ট অমা পাঙথোক্লগা কেটগোরিশিং অদুগী মকোক থোংবা শান্নরোয় ২/২ খনগৎলগা ৱর্ল্ড স্নুকর ক্বালিফায়র য়াওগদৌরিবনি। ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন অদভানিসু শরুক য়াগদৌরি।

## ফিফা ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফায়রদা ব্রাজিলনা উরুগুৱে থোইখ্রে, অর্জেন্টিনানা পেরু মায়থীবা পীখ্রে

মানোস, ওক্টোবর ১৫ (এজেন্সী):
কুমজা ২০২২দা কটারনা য়ূম্ফম ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা মালেমগী ফুটবোল টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপকী সাউথ অমেরিকাগী ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টতা ব্রাজিলনা উরুগুৱেবু মায়থীবা পীখ্রে। লোয়ননা অর্জেন্টিনানা মখোয়গী মেটচ অমদা পেরুবু থোইবা ঙমখিবনি।

ঙরাং অথেংবদা ব্রাজিলনা য়ূম্ফম ওইরগা মখোয়গী হোম গ্রাউন্দ মানোসতা শান্নখিবা সাউথ অমেরিকা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অদুদা উরুগুৱেগা লম্বা তৌনবদা পাঞ্জল ৪-১দা মায়থীবা পীখিবনি।

পনবা য়াই, সাউথ অমেরিকাগী চথুরিবা ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অদুদগী মকোক থোংবা টিম ৪না কটার ফিফা ৱর্ল্ড কপ অদুদা শরুকয়াবা ঙমগদৌরিবনি।

ব্রাজিলনা উরুগুৱেগা শান্নখিবা মেটচ অদুদা য়াম্না ফজবা ঙমদুনা পাঞ্জল ৪-১দা থোইখি। মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু ১০শুবা মিনটতা নেমারনা চনখিবনি। মহাক্কী মতুং টিম অদুমক্কী রাফিনানা ১৮শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১ চনবা ঙমখি। অহানবা হাফ লোইখ্রবা মতুং অনীশুবা হাফ হৌরকপদা রাফিনানা ৫৮শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১গা চল্লগা ৩-০দা লৈখি। উরুগুৱেগী মায়কৈদগী লুই স্বারেজনা ৭৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমখক চনখিবা অদু নৎতনা টিম অদুগী মায়কৈদগী মখা তানা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদে।

মেটচ অদুগী ৮৩শুবা মিনটতা ব্রাজিলগী বার্বোসানা পাঞ্জল ১গা হাপচিল্লগা মেটচ অদু মখোয়না ৪-১দা থোইরগা ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অদুগী পোইন্ট টেবলদা পোইন্ট ৩১ ফংবগা লোয়ননা নবেম্বর থাদা কলম্বীয়াগা শান্নগদবা মেটচ অদু মায় পাকপা তারবদি কটারগী ৱর্ল্ড কপ অদুগীদমক ক্বালিফাই ওইগদৌরিবনি।

অমরোমদা, সাউথ অমেরিকাগী ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অদুগী পোইন্ট টেবলদা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরিবা অর্জেন্টিনানা ঙরাং পেরুগা শান্নখিবা মেটচ অদুদা শান্নবগী ৪৩শুবা মিনটতা অর্জেন্টিনাগী লোটারো মার্টিনেজনা টিমমেট নাহুল মোলিনানা ফিল্ডগী য়েৎ থংবা মায়কৈদগী পীরকখিবা বোল অমা য়াম্না ফজনা হেদ তৌশিল্লগা পেরুগী গোলকিপর অদুবু মায়থীবা পীরগা পাঞ্জল ১ চনখিবা অদুনা অর্জেন্টিনাগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু ওইখি।

পেরুগী মায়কৈদগী অনীশুবা হাফতা অকনবা মওংদা লম্বা পীরক্তুনা শান্নবা হৌরকখি। শান্নবগী ৬৫শুবা মিনটতা টিম অদুগী মায়কৈদগী ফংখিবা পেনাল্টি কিক অমা পাঞ্জল ওন্থোকপা য়ারম্বা তাঞ্জা অদু টিম অদুগী ভেটরান য়োসিমার য়োটুননা কাওশিনখিবদা বারদা পানবদগী ইক্বেলাইজর ওইরম্বা য়াবা খূদোংচাবা অদু মাঙখিবনি। মখা তাবা পাঞ্জল লৈখিদবদগী অর্জেন্টিনা মায় পাক্তুনা সাউথ অমেরিকা ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অদুগী অনীশুবদা লৈখি।

## লৈঙাক্না ক্রোর ২৫০ চঙগদবা নেসনল সেন্টর ফোর স্পোর্টস সাইন্স এন্দ রিসর্ছ শেমগৎলগনি

ন্যু দেল্লী, ওক্টোবর ১৫ (এজেন্সী):
জপানগী টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী টিমনা খ্বাইদগী ফজবা লৈবাক অসিগী ওলিম্পিককী পুৱারীগী ওইবা রেকোর্দ অমা থমখ্রবা মতুং লৈঙাক্না মখা তাবা লৈবাক অসিগী শান্নরোয় কয়া ওলিম্পিককী থাক্তা শান্নবা ঙম্নবগীদমক লুপা ক্রোর ২৫০ চঙগদবা নেসনল সেন্টর ফোর স্পোর্টস সাইন্স এন্দ রিসর্ছ অমা শেমগৎননবা শেম শারি।

হীরম অসিগী মতাংদা লৈঙাক্না কন্সল্টেন্ট অমা থমদুনা মালেমগী ওইনা হৌজিক লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা মমিং লৈরবা স্পোর্টসকী ইন্সটিট্যুট ৬কী ওইবা অকুপ্পা ষ্টদি অমা তৌহল্লবা মতুং ইন্দিয়াগীসু নেসনল সেন্টর ফোর স্পোর্টস সাইন্স এন্দ রিসর্ছ অমা লিংখৎকদৌরিবনি। লৈঙাক্না থা অসিগী ১৩দা ৱারোল অমা পীরদুনা কন্সল্টেন্ট খন্ননবা ৱাফম ফোঙদোকখিবনি। হায়রিবা কন্সল্টেন্ট অসিনা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা মমিং লৈরবা স্পোর্টস ইন্সটিট্যুটশিংদা চৎনরিবা কাঙলোনশিং অদুগী মতাংদা কুপ্না খঙদোক্লবা মতুং ইন্দিয়াদসু স্পোর্টস সাইন্স এন্দ রিসর্ছ সেন্টর অমা লিংখৎনবা ৱারেপ লৌরকখিবনি।

ইন্দিয়াদা থমগদৌরিবা নেসনল সেন্টর ফোর স্পোর্টস সাইন্স এন্দ রিসর্ছ অসি মালেমগী থাক্তা লৈরিবা মমিং লৈরবা সেন্টরশিংগা লেং মান্নগদৌরিবনি। মসিদা শান্নরোয় খক্তা নৎতনা কোচশিংগী মায়কৈদগী শান্নরোয়শিংবু মালেমগী থাক্তা পাঙথোকপা কম্পিটিসনশিংদা মেদল ফংবা ঙম্ননবগী খূদোংচাবা অদু শিন্ননবা ইন্দিয়া লৈঙাক্না হোৎনরকপনি।

টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়ানা পূন্না মেদল ৭ ফংবা ঙমখি। মদুদা জেভলিন থ্রোগী ওইনা নীরজ চোপ্রানা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। ৱেথ লিফটিংদা সাইখোম মিরাবাই চনুনা সিলভর মেদল অমা ফংখিবগা লোয়ননা রেষ্টলিংদা রবি কুমার দহিয়াসু সিলভর মেদল ফংখি। লোয়ননা বজ্রং পুনিয়ানা রেষ্টলিংদা ব্রোঞ্জ মেদল অমা ফংখিবগা লোয়ননা বেদমিন্টনদা পি ভি সিন্ধু, বোক্সিংদা লোভলিনা বোর্গোহেন অমসুং নুপাগী হোক্কী টিমনা ব্রোঞ্জ মেদলশিং ফংখিবনি।

টোকিওগী পেরালিম্পিক্সতসু ইন্দিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী ফজবা পর্ফোর্মেন্স ওইনা গোল্ড মেদল ৫, সিলভর ৮ অমসুং ব্রোঞ্জ ৬ ফংলগা পূন্না মেদল ১৯ ফংদুনা পেরালিম্পিক্সকী পুৱারীদা ইন্দিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী ফজবা পর্ফোর্মেন্স ওইখি। লৈঙাক্না হায়রিবা ফজবা পর্ফোর্মেন্সশিং অসি য়েংলুরগা কুমজা ২০২৪দা ফ্রান্সকী কোনুং পেরিসতা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক গেমস অমদি পেরালিম্পিক গেমসতা মখা তানা ইন্দিয়াগী পর্ফোর্মেন্স ফজবা ঙম্নবগীদমক নেসনল সেন্টর ফোর স্পোর্টস সাইন্স এন্দ রিসর্ছ অমা শেমগৎতুনা অফবা শান্নরোয়শিং অমদি কোচ মশক খঙদোক্লবা হোৎনরকপনি হায়রি।

## ইন্দিয়ানা ৮লকশুবা এস এ এফ এফ চেম্পিয়নশিপকী টাইটলদা অকনবা মীৎয়েং থল্লি

মালে, ওক্টোবর ১৫ (এজেন্সী):
সাউথ এসিয়ন ফুটবোল ফেদরেসন চেম্পিয়নশিপকী ১৩রকশুবা এদিসন অসিদা ইন্দিয়ানা হয়েং নেপালগা শান্নগদৌরিবা ফাইনেল মেটচ অসিদা ৮লকশুবা টাইটল ফংননবা হোৎনগদৌরি।

এস এ এফ এফ চেম্পিয়নশিপ অসিগী পুৱারীদা ইন্দিয়ানা ফাইনেল ১২রক শান্নখিবদা ৭লক টাইটল লৌবা ঙমখিবনি। লোয়ননা কুমজা ২০০৩দা ইন্দিয়াগী টিম অসিনা অহুমশুবা পোজিসন তাখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজদবা পর্ফোর্মেন্স ওইখি।

মালদিভসনা য়ূম্ফম ওইরগা ১৩শুবা এদিসন অসিগী হৌরকপদা ইন্দিয়াগী টিম অসিনা য়াম্না শোথনা লৈরম্বদগী ফাইনেল য়ৌরকপা ঙমখি।

পনবা য়াই, ইন্দিয়ানা অহানবা মেটচ শান্নবদা বাংলাদেশকা দ্রো চৎলবা মতুং অনীশুবা মেটচ অদুসু স্রি লঙ্কাগা দ্রো চৎতুনা ফাইনেল য়ৌবা য়াবগী লম্বেল অদু য়াম্না তেনশিনখিবনি। অদুবু অহুমশুবা মেটচতা নেপালবু ইন্দিয়ানা শান্নবগী লোইরমদাইদা পাঞ্জল ১ চল্লগা মায়থীবা পীখিবা অদুনা ফাইনেল য়ৌবগী লম্বেল অমা শেল্লকখিবনি। করিগুম্বা মেটচ অদু দ্রো নৎত্রগা মায়থীরম্বা তারবদি ইন্দিয়া ফাইনেল য়ৌবা ঙল্লম্লোইদবনি। অরোইবা গ্রুপ মেটচতা ইন্দিয়ানা য়ূম্ফম মালদিভসপু য়াম্না চাওনা পাঞ্জল ৩-১দা থোইবা ঙমদুনা ফাইনেল য়ৌবগী লম্বেল অদু শেমখিবনি। মালদিভসকা শান্নখিবা মেটচ অদুসু ইন্দিয়া দ্রো চৎলম্লবদি ফাইনেল য়ৌবগী খূদোংচাবা ফংলম্লোইদবনি। হায়রিবা মেটচ অদুদা ফজখিবা ইন্দিয়াগী টিমনা হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেটচতা নেপালগা শান্নগদৌরিবা অসিদা মপূং ফানা মখোয়গী টেলেন্টশিং অদু পুথোক্তুনা মায় পাক্লনবা হোৎনগদৌরিবনি। মতাং অসিদা ইন্দিয়াগী কোচ আইগোর ষ্টিমেকনা মহাক্কী লুচিং মখাদা অহানবা টাইটল ফংনবা হোৎনগদৌরিবনি। অদুবু নেপালগী টিম অসি ইন্দিয়াদগী ফিফা রেঙ্কিংদা থাক হন্থনা লৈরবসু তরাই-তরাইনা লৌবা য়াবা টিম অমা নত্তে হায়বসি খঙনরিবনি।






## দিমিট্রোভ অমসুং নোরি সেমীফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি



ইন্দিয়ন ৱেলস, ওক্টোবর ১৫ (এজেন্সী):
য়ু এস এগী ইন্দিয়ন ৱেলস সিটিদা পাঙথোকপা বি এন্দ পি পরিবাস টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসকী সেমীফাইনেলদা বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিট্রোভ অমসুং গ্রেট বৃটেনগী কেমেরোন নোরি লম্বা তৌনরগনি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিট্রোভনা টুর্নামেন্ট অদুগী ৮শুবা সিদেদ শান্নরোয় পোলেন্দগী হুবর্ট হুর্কাজপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমদা সেট ২-১দা মায়থীবা পীখি। মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদু হুর্কাজনা গেম ৬-৩দা থোইখিবনি। মদুগী মখা তারকপা অনীশুবা সেটতা গ্রিগোর দিমিট্রোভনা হুর্কাজকী সর্ভিস গেম অমা মতাং মতম চানা ব্রেক তৌবা ঙমদুনা ৬-৪দা থোইরগা দিসাইদিং সেটতা অহেনবা মওংদা লম্বা তৌনরকপদগী টাই ব্রেকতা লাক্তুনা দিমিট্রোভনা পোইন্ট ৭-২দা থোইরগা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।


অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা দিমিট্রোভকা লম্বা ওইগদৌরিবা গ্রেট বৃটেনগী কেমেরোন নোরিনা মহাক্কী লম্বা ওইখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ১১ শুবা সিদেদ অর্জেন্টিনাগী দিএগো স্বার্টজমানবু য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-০, ৬-২দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী কাঙলূপ্তা টুনিসিয়াগী ওন্স জেবোরনা ক্বার্টর ফাইনেলদা লাটভিয়াগী এনেট কোন্টাভেটপু ৭-৫, ৬-৩দা থোইদুনা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। মহাক্না জর্মনিগী টুর্নামেন্ট অসিগী ১০শুবা সিদেদ এঞ্জেলিক কর্বরবু ৬-৪, ৭-৫দা থোইরম্বী স্পেনগী পোলা বাদোসাগা শান্নগদৌরিবনি।

নুপীগী দবলস ফাইনেলদা অনীশুবা সিদেদ ওইরিবা চাইনিজ টাইপৈগী সৈ সু ৱৈ অমদি বেলজিয়মগী এলিজ মর্টেন্সকা কজাখস্থানগী এলিনা রাইবাকিনা অমদি রসিয়াগী ভেরোনিকা কুদরমেটোভাগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী দবলসতা ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমদি কানাদাগী দেনিশ সাপোভালোব ক্বার্টর ফাইনেলদা রসিয়াগী প্যের অস্লান কারাটসেভ অমদি এন্দ্রিরুব্লেভকী মখূৎতা ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৪-৬, ৪-৬তা মায়থীহৌদুনা সেমীফাইনেল য়ৌখিদ্রে।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 260**

**Leko, Peter (2240) - Shirov, Alexei (2450)**
**Grand Prix de Bordeaux Bordeaux FRA, 1999.04.10**

1.e4 c5 2.Nf3 d6 3.d4 cxd4 4.Nxd4 Nf6
5.Nc3 g6 6.Be3 Bg7 7.Qd2 Nc6 8.O-O-O O-O
9.f3 Nxd4 10.Bxd4 Be6 11.Kb1 Qc7 12.g4 Rfc8
13.h4 Qa5 14.Qg5 Qxg5 15.hxg5 Nd7 16.Bxg7 Kxg7
17.Rh4 Rc5 18.f4 Nb6 19.Bd3 f6 20.gxf6+ exf6
21.f5 Bf7 22.Nb5 g5 23.Rh3 Rd8 24.Rdh1 h5
25.gxh5 Kh6 26.Nd4 Re8 27.Nb5 Rd8 28.Nd4 Re8
29.Nb5 Nc8 30.b4 Rce5 31.Nd4 Nb6 32.Nf3 Rxe4
33.Bxe4 Rxe4 34.a3 Nc4 35.Nh2 Ne5 36.Rg1 g4
37.Rh4...

**QUESTION :**
**White to Win**

**Puzzle 259 Ans. :**

24. ...Rc3 The black rook deflects White's knight away from protecting the square f4. 25.Nxc3 Nxe3+ The black knight captures White's pawn, which was defending square f4. 26.Kg3 Be5+ 27.Kh4 Rf4+ 28.Kg3 Rf5+ With a discovered check by the black bishop. 29.Kh4 Rh5#
24. ...Rc3 25.Nxc3 Nxe3+ 26.Kg3 Be5+ 27.Kh4 Rf4+
0-1

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Executive Editor: Maisnam Karnajit, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com